# শেনবা চহী ২০১৫-১৬ ফাওবদা মণিপুরগী শেন্দোল লুপা ক্রোর ৭৫৯৬ য়ৌশিল্লক্লগনি

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল জনুৱারি ১৬:*** হৌজিক লৈরিবা ষ্টেটকী শেল-থুমগী ফিভম অসি য়েংলগা লাক্লিবা শেনবা চহী ২০১৫-১৬ ফাওবদা শেন্দোল ঙাকক্তুদা লুপা ক্রোর ৭৫৯৬ লাখ ৪৯ য়ৌশিল্লক্লগনি হায়না ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনাপুথোরকপা ‘‘মেদিয়ম তার্ম ফিস্কেল পোলিসি ষ্টেটমেন্ট, ফিস্কেল পোলিসি স্ট্রেটেজি ষ্টেটমেন্ট মেক্রো ইকোনোমিক ফ্রেমৱার্ক ষ্টেটমেন্ট এন্স দিসক্লোজর্স’’ হায়না মিংথোনবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

মণিপুর ফিস্কেল রেস্পোন্সি-বিলিটি এন্দ বজেট মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫ অমদি এক্ট অসিনা কোনশিল্লিবা রুলসকী মখাদা হন্দক দিদেম্বর ১৯দা শেল-থুমগী থৌরমসু পুরিবা চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীনা ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৬শুবা অতেনবা নিংথম মীফমদা পুথোকখিবা রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না লাক্লিবা মার্চ তাং ৩১দা লোয়শিল্লগদবা শেনবা চহী ২০১৩-১৪ ফাওবদদি মণিপুরগী শেন্দোল অসি লুপা ক্রোর ৬৯৩২ লাখ ৯৫দি য়ৌরগনি হায়না হিসাব তৌরি। অসুম্না মথং শেনবা চহী ২০১৪-১৫ ফাওবদনা লুপা ক্রোর ৭২৩২ লাখ ৬২ শেন্দোল লাক্কনি হায়রি।

**রিজার্ভ বেঙ্কতগী ৱেজ এন্দ মিন্স এদভান্স লুপা ক্রোর ৮৯ হেন্না লৌশিল্লে**

শেনবা চহী ২০১৫-১৬ ফাওবগী ওইনা ওইরক্কদৌরিবা অৱাংবা থাক্কী শেন্দোলগী চাং অসি ষ্টেট গভর্নমেন্টকী কর্ম্মচরি-শিংগী থাগী তলব অমদি পেন্সন্দগী ককশিলহৌবা জি পি ফন্দ, দি এ, দি আরনচিংবা, ষ্টেট মনুংগী ওইবা বেঙ্কতগী পুশিল্লুবা শেলগী ইন্টরনেল দেব (ষ্টেট মনুংগী শেন্দাল) লুপা ক্রোর ৪৯২৭ লাখ ৪৯, সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতগী পুশিল্লুবা লোন অমসুং লৌশিল্লুবা এদভান্দকী (লোন এন্দ এদভান্স) ওইনা লুপা ক্রোর ৩৯৬ লাখ ৯, লন্নাই মীওই অমদি কর্ম্মচারিশিংনা তুংশিনজখিবা স্মোল সেভিংস, প্রোবিদেন্ট ফন্দনচিংবগী লুপা ক্রোর ২২৭২ লাখ ৯১ পুনশিল্লগা তারকপা শেলফম্নি হায়রি।

ওইরক্কদবা হিসাব অসিগী মতুং ইন্না চৎলিবা শেনবা চহী ২০১৩-১৪গী শেন্দোল ঙাক্তগী বজেট এস্তিমেটসতা ইন্টরনেল দেবকী লুপা ক্রোর ৪০২৯ লাখ ৫৪, লোনস এন্দ এদভান্সকী লুপা ক্রোর ৪৮৩ লাখ, ৮৪, স্মোল সেভিংস, প্রোবিদেন্ট ফন্দনচিংবগী লুপা ক্রোর ২৮১৯ লাখ ৫৭ ওইরক্কনি। মথং শেনবা চহী ২০১৪-১৫গী ওইনা ইন্টরনেল দেবতা লুপা ক্রোর ৪৪৪৮ লাখ ৯৩, লোন এন্দ এদভান্সতা লুপা ক্রোর ৪৩৯ লাখ ৯৫, স্মোল সেভিংস, প্রোবিদেন্ট ফন্দনচিংবগী লুপা ক্রোর ২৩৪৪ লাখ ৭৪ পুন্না লুপা ক্রোর ৭২৩২ লাখ ৬২ য়ৌশিল্লকপা শোয়দ্রে হায়রি।

অমরোমদা ষ্টেট অসিগী পোথোক-চাথোক, চাগা-চাদিংলোমদা য়েংলবসু গ্রোস ষ্টেট দোমেসটিক প্রদক্ট (জি এস দি পি)গী ওইনা হৌজিক লৈরিবা পোৎলম-চৈরমগী মমল অসি শেনবা চহী ২০১৩-১৪দা লুপা ক্রোর ১৩২১০ লাখ ৮৭, শক ২০১৪-১৫দা লুপা ক্রোর ১৪৯৮৯ লাখ ৫৭ অদুগা শক ২০১৫-১৬দনা লুপা ক্রোর ১৭০৮৫ লাখ ৪ য়ৌরকপা য়াবগী হিসাব লৈরে হায়রি।

জি এস দি পি অসিগী দেব রেসিওনা শক ২০১৩-১৪গী ওইনা চাদ ৫২.৪৭, শক ২০১৪-১৫দা চাদ ৪৮.২৫ অমদি শক ২০১৫-১৬তা চাদ ৪৪ লাখ ৪৬ ওইরক্কনি হায়না রিপোর্ট অদুনা কুপ্না হিসাব পারি।

পুশিল্লুবা শেঙ্গংগী ওইনা শেন্দোয় ঙাক্তুদা শক ২০১৩-১৪গী লুপা ক্রোর ৪২৭ লাখ ৩৩, শক ২০১৪-১৫গী লুপা ক্রোর ৪৭২ লাখ ৭৮, শক ২০১৫-১৬কী লুপা ক্রোর ৫১৩ লাখ ৯৩ শিংদোকফম থোক্লি। নন-প্লান্দগী চৎকদবা কর্ম্মচারিশিংগী তলবকী চাদিংসু শেনবাচহী ২০১৩-১৪দা লুপা ক্রোর ২৪৭০ লাখ ২২ ওইগনি হায়না পারি। মখা তানা হাপকৎলক্কদবা দি এ গী দোজ য়েংলগদি শেনবা চহী ২০১৪-১৫গী ওইনা লুপা ক্রোর ২৭৭৪ লাখ ৬৪ অদুগা ২০১৫-১৬গীনা লুপা ক্রোর ৩০৪৩ লাখ ১২ চাদিং তৌরকপা শোয়ররোই হায়রি। থবক্তগী পোত্থরবা কর্ম্মচা-রিশিংদা পীথগদবা পেন্সনগী চাদিংসু শেনবা চহী ২০১৩-১৪ অসিদা লুপা ক্রোর ৮৬৬ লাখ ৪, শেনবা চহী ২০১৪-১৫গীনা এরিয়ার হাপকৎলগা লুপা ক্রোর ৯৫২ লাখ ৬৪ অদুগা ২০১৫-১৬তনা লুপা ক্রোর ১০৪৭ লাখ ৯১ য়ৌরকপা য়াবগী অঙ্ক লৈসু হায়রি।

চৈরকসিদা মণিপুর সরকারনা উপায় লৈজদবদগী ওপন মার্কেৎতা লন্নাই ক্রোরপতি / মিলিয়নপতি অমদি কম্পনীশিংদগী পুশিল্লুবগী শেন্দোয় শেল্লেপসু শক ২০১৩-১৪দা লুপা ক্রোর ২৯০৪ লাখ ১৯, ফাইনান্সিএল এন্সটিটুস্যন, বেঙ্কশিংগী লুপা ক্রোর ২৭০ লাখ ২২, রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদগী লৌশিনখিবা ওভরড্রাফ / ৱেজ এন্দ মিন্স এদভান্সকী লুপা ক্রোর ৮৯ লাখ ৯৫, অতৈ লাইএবিলিটিজগী লুপা ক্রোর ১০৯৯ লাখ ৪১ ষ্টেট গভর্নমেন্টতা তোল্লি হায়না রিপোর্ট অদুদা পল্লি।